# ৱাকা ৱাকাগী শৈশকপী শকিরাগী মায় পাকপগী ৱারী

- নানি



হান্না কয়া খঙনরমদ্রবসু ফিফা ৱর্ল্ড কপ ২০১১গী এন্থেম শোং *Waka Waka (This time for Africa)* হায়বা ঈশৈ অসিগী মতুংদগীদি মহাক্কী মমিং অসি শেৎ কায়না ফাওরকখি। তৌবতবু ঈশৈ পামজবা, ঈশৈদা ঙাওজবশিংনদি শকিরাগী ***Laundary Service (2001)*** দগী নিংথিনা মশক খঙনখি। লোয়ননা শকিরাগী ফজরবা জগোয়গী শাথেক কয়াগা লোয়ননা শকপা খোঞ্জেল নুংশিরবা ঈশৈগী তান্থাদা মীপূম খুদিংনা ঙাওনদুনা লাকখি। মশা পারপ তৌবী, নোকপদা রাশি লৈবী, জগোয় শাবদা ৱাদবা মান্না মোমোন নোক্তুনা অয়েংবশিংবু ঈথক হৌহনবা ঙন্বী শকিরাগী বেল্লি দান্স মমিং নিংথিজনা চৎলি। ঙসি ফাওবদা মহাক্কী দান্স ষ্টাইল অসি কনানসু তন্বা ঙম্মদ্রি।

কুমজা ১৯৭৭কী ফেব্রুৱারী ২দা কলম্বিয়াগী বরানক্যুল্লা হায়বা মফমদুগী নুংঙাইরবা ইমুং অমদা পোকখিবী শকিরা মশাগী চহী ২ শুরকপদা মখোয়গী ইমুং অৱাবা ফীভম অমদা লাকখি। মহাক্কী মবুং মোটোর সাইকল এক্সিদেন্ট অমদা লৈখিদ্রবা মতুংদা, সনা লল্লোন-ইতিক তৌদুনা নুংঙাইনা হিংজরম্বা পূম্বা শেল মাঙদুনা bankrupt ওইখি। মীগী শেন্দোন শিংনবা হোৎনবদা মখোয়গীনি হায়বা য়ূম, লন-থুম, কার পূম্বা লোইনা মাঙ তাকখি। শাথীনা অৱাবা অমা ওইরকখি। নোংমা মপানা মহাকপু পার্ক ময়াদা লৈবা চানীংঙাই-থকনীংঙাই লৈজদ্রবা, ময়ূম মকৈ ফাওবা লৈজদ্রবা মফি শেগাইবা শেৎপা অঙাংশিংগী মনাক্তা পুদুনা উহনখি। মদু উরুবদা পিক্লিবী শকিরানা মহাক মায় পাকপা মীশক অমা শোয়দনা ওইরগা অসিগুম্বা ফীভম শোক্লবা অঙাংশিং অসিবু মতেং শোয়দনা পাংগনি হায়না খনখি। মশাগী চহী ৮ শুরকপদা স্কুলগী choir শকপদা মহাকপু খন্দোরকখি, মরমদি মহাক্কী খোঞ্জেল অসি য়াম্না সোফ্ট ওইদে, হামেংনা খোংবা মাল্লি হায়না মাবু করেম্নবীরকখি, ওজানা মাবু য়াওহনখিদে। নীংবা কায়রবী শকিরানা ঈশৈ ইবা হৌরকখি।



মপানা মহাকপু ঈশৈ শকপা লেপহল্লকখিদে। শকিরা ফোর্মেল ওইনা ঈশৈ তমদ্রবসু guitar খোংদুনা ঈশৈ শকপা, ইবা, কম্পোজ তৌবা হৌরকখি। অদুবু কনানসু মহাক্কী ঈশৈবু থৌশাবীখিদে। মায়থীবতা নংদুনা লাক্লবা শকিরা হোৎনবদি লেপখিদে। মহাক্কী ঈশৈ এলবম অনী সোনি ম্যুজিক কম্পেনিনা Magia (1991) and Peligro (1993) record তৌদুনা পুথোকপীখি। অদুবু মায় পাকপদি ওইখিদে। কনানসু মহাক্কী ঈশৈ লৈদুনা তাবীখিদে। মহাক্কী মায় পাকপগী লম্বীদি মায়থীবনা থোনবীবা য়ূম্ফমনি। মশাগী চহী ১৮ শুরকপদা অনৌবা এলবম অমা *Pies Descalzos* (1995) থোরকপদগী মহাক্কী মায় পাকপা হৌরকখি। মথংদা *Laundry Service* (2001) দা মহাক্কী ঈশৈ রেকোর্দ অসি মিল্লিয়ন ১৩ হেন্না য়োন্দুনা খ্বাইদগী হেন্না মশীং য়াম্না য়োনবা ঙন্বগী রেকোর্দ থমখি। মহাক্কী ঈশৈশিং "Whenever, Wherever" অমদি "Underneath Your Clothes" হায়রিবসিনা মহাকপু মালেমগী থাক্তা চিংখৎপা ঙমখি। মহাক্কী পিক্লিঙৈগী ৱাশক অদু ঙাকপা ঙমখি। কলম্বিয়াদা লৈরিবা লায়রবা অঙাংশিংগীদমক Charity organisation Barefoot foundation হায়বা অমা লীংখৎখি। মমৈদদি য়ুনিসেফকী গুদৱিল এম্বাসেদর ফাওবা ওইখি।

শকিরা মালেমগী থাক্তা ঈশৈগীদমক অখন্ননা পীবা তাঙলবা মনা কয়া ফংবা ঙল্লবী অমা ওইরি। Grammy Award অহুম্লক, Latin Grammy Award তরাহুমদোই, MTV Video Music Awards মরি, Billboard Latin Music Awards তরেৎ ফংবা ঙমখ্রে। মহাক্লা ঙসি ফাওবদা ম্যুজিক্কী পীরিবা কন্ত্রিব্যুসন অসি য়েংলগা Latin Recording Academy Person of the Year হায়বা অসি পীদুনা ইকায়খুম্নখ্রে। ঙসিদি হামেংগী খোঞ্জেল মাল্লি হায়বীরম্বা শকিরাগী খোঞ্জেল মীপূম খুদিং তিন য়োৎনা খোইদাবা হায়বদু ওইরকপদা নত্তনা মালেমগী মীপূম খুদিংনা খোইদাবা আর্টিষ্ট অমা ওইবা ঙল্লে। মহাক্কী ৱারী অসি তারগদি ঐখোয়না থবক অমা তৌবদা মায়থীরে হায়না পূক্নিং হনবগী মহুত্তা মদুনা হেন্না থৌনা পীদুনা হোৎনরবদি শোয়দনা মায় পাক্কনি হায়বা অসি চপ চানা থাজবা ঙল্লে। অদুনা শকিরানা হায় -*"If you want to be great and succeed in life, You need to listen to your inner voice and find your passion. And when you do, leave your insecurities and fears at the door, work hard for it every single day, and don't let anyone tell you what you can or can't do".*



মহাক্কী ম্যুজিক অসি অতৈদগী খরা খজিক খেন্নবা উবা ফংই। তশেংবদি মহাক্লা অনৌবা ম্যুজিক্কী ষ্টাইল অমা পুথোক্লবা য়াম্না কন্না হোৎনজবগী ৱাফমসু মহাক্লা পল্লি। মহাক্কী ঈশৈশিং অসিদা তোঙান-তোঙানবা ইলিমেন্ট ময়াম অমগী ফ্যুজন তৌবনি। মরু ওইনা ওরিয়েন্টেল ম্যুজিক অমদি ইন্দিয়ন ম্যুজিক লোয়ননা অরাবিক কলচরেল ম্যুজিক অসিনা মহাকপু ইন্সপ্যার য়াম্না তৌই। অদুনা মাগী ঈশৈ অয়াম্বা Protuguese music, American folk music, indian music লোয়ননা latin dance-pop song ময়াম অসিনা মহাক্কী অনৌ-অনৌবা ঈশৈ পুথোক্লবগী ৱাখল্লোন অসি




পীবা ঙন্মী হায়না ফোঙদোক্লি। সিঙ্গর অসিনা মহাক্কী ঈশৈ অয়াম্বদা মহাকপু পোকপীবা মমা মপাগী ethnicity mixed অদুনসু মহাক মশাগী সাইন তৌবা য়াবা ক্রিএটিভিটি অমা শেম্বদা মতেং ওইরি হায়না পল্লি - *"I am a fusion. That's my persona. I'm a fusion between black and white, between pop and rock, between cultures – between my Lebanese father and my mother's Spanish blood, the Colombian folklore and Arab dance I love and American music."* মহাক্কী ম্যুজিক এলবমশিংদা অমদি কন্সর্ট অয়াম্বদা মীয়ামদা উৎলিবা দান্সিং ষ্টাইল অসিসু Lebanese heritage অমা ওইরিবা বেল্লি দান্সিং মুভমেন্ট অমদি লেটিন দান্সিং অনীদগী অয়াম্বা লৌথোক্লগা মশানা মশাগী ষ্টাইল অমা শেমজবনি। শকিরাগী ঈশৈ ষ্টাইল অমদি দান্সিং ষ্টাইল কয়াশিং অসিনা হৌজিক মমিং লৈরবা শিঙ্গর - Beyonce, Rihanna, Taylor Swift, Lauren Jauregui, Rita Ora, Justin Bieber অমদি Camila Cabello হায়রিবশিং অসিনা শকিরা অসি মখোয়গী আইদোল অমদি ইন্সপিরেসন পীবা আর্টিষ্ট অমনি হায়না শিংথারি।

শকিরা মচা নুপা অনী- Milan চহী ৭ অমদি Sasha চহী ৫গী মমা ওইরে। মহাক্কী মচাগী মপাসু Barcelona Football Club কী মমিং লৈরবা spanich football player অমনি। মমিংনা Gerard Pique (centre back) কৌই। শকিরানা মহাক্কী মপুরোইবদগী চহী ১০ হল্লি। অদুবু মখোয় অনী কুমজা ২০১১দা ৱাকা ৱাকা হায়বা ঈশৈ অসিগী ম্যুজিক এলবম শুটিং তৌবদা থেংনরকখিবনি।

হৌজিক মালেমদা থোক্লিবা কোরোনাভাইরসকী লান্দা অসিগী মতাংদা মহাক্লা হায়, ভাইরস অসি য়াম্না য়াঙনা শন্দোরক্লি, অদুবু লৈবাক খুদিংমক্কী লুচিংবশিংগী এক্সন লৌবগী থবক্তি তপথবগুম তৌরি। অদুগা লোয়ননা মালেমসিদা লৈরিবা লৈবাক খুদিংমক্লা ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসননা পীবা গাইদলাইনগী মতুংইন্না পূন্না চংশিনমিন্নবা অমা মথৌ তাই। মদুতদা লায়না অসিদগী ঙাকথোকপা ঙমগনি হায়বা মহাক্কী ওপিনিয়ন অমা ট্যুটর একাউন্টতা থাদোরক্লি। লোয়ননা হীরম অসোমদা মাঙজিল থানা থবক তৌরিবা মালেমগী মীয়াম পূম্বদা পূক্নিং থৌগৎপা ৱারোলশিং থমদুনা ইকায়খুম্নবা উৎলি হায়বসু পল্লি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৬।০৪।২০২০ ইং, নোংমাইজিং ; নুংথিল পুং ১.২৪ ফাওবা কালেনগী ৩নি পাল্লি,মতুং ৪ নি পাল্লনি।

**মেষ :** নচা-ননাই অমদি লৈঙাক্কী লম্দা কোক শাবা, নাইতোম ৱারেপ লৌবসু য়াদবা অমদি লোয়নবনা নরলদা মীতাবা লৈগনি। থৌনা লৈবনা থৌদি পাংগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - ঈংথবা ফগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**বৃষ :** হরাওবা নুংঙাইবা, লল্লোন ইতিক্তা চাউনা কান্নবা অমদি ঙাঙ শকপা লৈবদি লৈগনি। অদুবু অঙন্বগা য়েৎনবদি লৈগনি, অফা অপুনদৈ চেকশিল্লু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশিবনা চানবী।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**মিথুন :** পূক্নিংদা চিংনবা অমদি মহু চাওবনা তাথিবা লৈগনি। অরোন অথুপ হায়দোক্কনু থাজদনা নক্লবনা খুদোংচাবা লৌখিবা য়াবা লৈ। পূক্নিং ফাথনা চৎলু-ফগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - হেন্না অশা চাওগনু।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**কর্কট :** হকচাং নুংঙাইবা অমদি শেল-থুমগী লম্দা থোইনা মায় পাকচবা ফংগনি। মরুপ-মপাংগী মতেংনা কান্নবা ফংগনি অমদি লেংদবা লন চাওখৎপা ফংগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - লাইবক ফরনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**সিংহ :** চিন কল্লদি অরং অরাক মাঙবগুম থোক্কনি অমদি ৱানোম থৌনোমসু কান্নরোই। মরুপকী মতেংদি ফংগনি, লল্লোন ইতিক কান্নগনি, ৱাখল থোক্কনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নীংবা থুংগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অশংবা/কিসমিস।

**কন্যা :** হকচাং নুংঙাইবা হেনগনি, পোরম য়াৎথোকপা য়াগনি অমদি মরুপ-মপাংনা তেংবাঙনিংবা নুমিৎনি। ইমুং-মনুং ৱাখল তানবনা অফবা থৌসু পাংগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - লান্দবনা মায় পাক্কনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা।

**তুলা :** ফত্তবনা মাঙওইনগনু অমদি য়েক্লবনা অপং শিনবা হোৎনবা লৈগনি-অদুনা খন্থরগা থৌ পাংবা ফৈ। খরা ৱারসু শেলদি ফংগনি অমদি হকচাং নুংঙাইগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশিবনা চাল্লি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ নাপু/য়াইঙং।

**বৃশ্চিক :** নীংবা খ্বাইদগী হেন্না থুংজবা নুমিৎনি, লল্লোন ইতিক্তা চাওনা কান্নবা ফংজগনি অমদি পাংঙমদ্রবা থবক পাংবগী নুংঙাইবা লৈগনি। মীয়ামগদি য়েক্নে।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশিবা ফংগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা।

**ধনু :** মায় পাক্কনি, মীচং হেনগৎকনি অমদি লল্লোন ইতিক তৌবা কান্নগনি। হৈশিংবা শাবা, অশাওবা অমদি য়েৎনবনা নরল মাঙগনি-পূক্নিং ফাথরগা থৌ পাংউ।
**লৈশা পাখংশিংগী** - লাইবক ফৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**মকর :** লৌশিং থোকপা ৱাৎলি অমদি মৈনা তাথি-চেকশিল্লু। কান্নবা খরদি শোয়দনা ফংগনি, অনৌবা মরুপ ফংবগী নুংঙাইবা লৈগনি। থেংলপ্পা ৱখল নুংঙাইগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - থেংলপ্পা নীংবা থুংই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।


**কুম্বা :** মরুপ-মপাংশিংনা থোইনা লুনা চান্না তৌবীগনি। ৱানোম থৌনোম মায় পাক্কনি অমদি লৈঙাক্কী লম্দা নুংঙাইবা লৈগনি। মীতোপতি থাজগনু য়ারোই।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশিবনা চানবী।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**মীন :** লাইবক ফবা ঙসিসু লৈ অমদি অঙন্বগী মতেংনা কান্নবা/শেল থুম ফংজগনি। অনৌবা লম্দা মায় ওনশিনবা য়াগনি। থেংলপ্পা ৱাঙাঙ হৈত্রবদ খৎনগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - মায় পাক্কনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অশংবা/কিসমিস।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।



Title: Peacock
By: Sweety Thiyam
Class: IV Sec: B Roll No. 95
School: Regular English High School




Title: Titanic
By: Konthoujam Arbin
Class: I Sec: Roll No. 13
School: Vocational Guide School




Title: Tabla
By: Bishal Bhotta Roi
Class: V Sec: Roll No. 28
School: Kids' Foundatoin




Title: A Girl Is Reading The Book
By: Gui Kamei
Class: IV Sec: B Roll No. 22
School: Kids' Foundation




Title: Banana
By: Surmala Heikrujam
Class: K.G. Sec: A Roll No. 09
School: Smart Universal Akademy




Title: A Tiger Face
By: Nishila Loitongbam
Class: IV Sec: B Roll No. 42
School: Kids' Foundation




Title: Scenery
By: Kingson
Class: V Sec: B Roll No. 42
School: Smart Universal Academy




Title: Scenery
By: Jolly
Class: I Sec: A Roll No. 20
School: Smart Universal Academy



Title: A School Girl
By: Laishram Shairaj
Class: V Sec: A Roll No. 27
School: Smart Universal Academy



Title: Burger
By: M. Thoihenba
Class: IV Sec: A Roll No. 41
School: Kids' Foudation



Title: Tree
By: Trishil Laishram
Class: I Sec: Daffodil Roll No. 03
School: SL Arena Of Learning



Title: House
By: Trisini Laishram
Class: I Sec: Daffodil Roll No. 04
School: SL Arena Of Learning